


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, OCTOBER 10, 2018 **PAGE 7**




*পেরালিম্পিক্সী এফ ৪৬ জেবলিন থ্রোদা গোল্ড অনীরক ফংখ্রবা মশান্না অসিদগী পোখারগনি ফোঙদোকখ্রবা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলিট দেবেন্দ্র ঝাজারিয়া*

*য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা সিলভর মেডল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর মেহুলি ঘোস*

## *য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস ২০১৮*

## ৱেটলিফটর জেরেমিনা গোল্ড অমসুং সুট্টর মেহুলিনা সিলভর মেদল ফংখ্রে




*য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকী ৱেথলিফটিং দিসিপ্লিনদা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী জেরিমি লালরিনুঙ্গা*

*ব্যুনিয়স এয়রস, ওক্টোবর ০৯ঃ*
ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটর জেরিমি লালরিননুনগানা নুপাগী কেজি ৬২গী কেটেগোরিদা মকোক থোংবা ওইদুনা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকি পুৱারীদা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থমখ্রে। অদুগা য়াম্না নক্কবা পোইন্টতা শোত্থহৌবদগী ইন্দিয়াগী সুট্টর মেহুলি নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংহৌরে।

আর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইদুনা ব্যুনিয়স এয়রসদা চত্থরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস অসিগী ৱেটলিফটিং ফাইনেল রাউন্দদা মশাগী চহী ১৫ খক্তগা ঙাইরিবী মিজোরাম মচা জেরিমি লালরিননুনগানা কে জি ২৭৪ (১২৪ অমসুং ১৫০) থাঙ্গৎতুনা গোর্ল্ড মেদল ফংখি।

সিলভর মেদলনা টর্কিগী টোপটাস কানরনা কেজি ২৬৩(১২২ অমসুং১৪১) থাঙ্গৎতুনা ফংখি। অদুগা কে জি ২৬০ (১১৫ অমসুং ১৪৩) থাঙ্গৎপা ঙমখিবা কলম্বীয়াগী ভিল্লার ইষ্টিভেন জোসনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

গোর্ল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা মিজো জেরিমি লালরিননুনগা অপোকপা লালনৈথলুনগা বোক্সর ওইনা শান্নরিঙৈদা নেস্নেল গোর্ল্ড মেদল ৭ লৌবা ঙমখি হায়না মিজোরাম ৱেটলিফটিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন থাঙচুঙনুনগানা ফোঙদোকখ্রে।

য়াম্না পুক্কিং চিংশিন্নিঙাই ওইরিবদি ব্যুনিয়স এয়রসদা চত্থরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস অসিগী ৱেটলিফটিংদা গোর্ল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা জেরিমি লালরিননুনগা বোক্সর ওইনা শান্নবা হৌরকখি। অদবু কোচশিংনা হায়বদগী ৱেটলিফটিংদা ওইনা শান্নবা হৌরকপদগী মশাগী চহী ৮শুবদা ঙাইরিঙৈদা আর্মী স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট স্কাউটতা কুমজা ২০১১দা য়াওরকখি।

আহ্ৰ জোলদগী চহী নৌরিবা ৱেটলিফটর জেরিমি লালরিননুনগানা চহীসিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়নসিপশিংদা সিলভর মেদল অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবদা নত্তনা নেস্নেল রেকোর্দ অনী থুগায়খি।

অমরোমদা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস অসিগী নুপীগী মিটর ১০গী অয়র রাইফল সুট্টিং ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মেহুলি ঘোস য়াম্না অপিকপা পোইন্ট মার্জিন্দা শোত্থহৌবদগী সিলভর মেদল ওইনা ফংহৌরে।

ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা পোইন্ট ৬২৮.৮ ফংদুনা পুম্নমক্কি মকোক থোঙবা ওইনা ফাইনেল রাউন্দ চংলকখি। অদুবু ইভেন্ট অসিগী অরোইবা সোট কাপ্পা লোইবদা গোল্ড মেদল ফংখিবা সুট্টরদগী সুপ্নতগী পোইন্ট ৭ খক্তমক শোত্থহৌবদগী গোর্ল্ড ফংলমগদবদু মায় পাকহৌদে।

সুট্টিং ইভেন্ট অসিগী রাউন্দ পুম্নমক লোইবদা পোইন্ট ২৪৮.০ ফংবদগী ইন্দিয়াগী সুট্টর মেহুলি ঘোসনা সিলভর মেদল ফংখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী গোর্ল্ড মেদলনা পোইন্ট ২৪৮.৭ ফংখিবা দেনমার্ককি সুট্টর ষ্টেফানি গ্রুন্দসোইনা ফংখি। সিলভর মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টরদগী পোইন্ট য়াম্না শোত্থনা ফংখিবা সরভিয়াগী সুট্টর মারিজানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা হোক্কিদা ইন্দিয়ানা অষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৯-১ য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীদুনা মথংগী মেটচকিদমক শেম শাখ্রে।

বেদমিন্টন্দা ইন্দিয়াগী সট্টলর লক্ষ সেননা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুংদা য়ুক্রেনগী দানিলো বোসনিয়ুকপু ২৩-২১, ২১-৮দা থোইখি। টেবল টেন্নিসকি ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী অরচনা কমঠ অমসুং মানভ থাক্কর মায় পাকখ্রে।

কামঠনা মালেসিয়াগী জাভেন চুঙবু ৪-২দা থোইখি। অদুগা থাক্করনা স্লোভাকিয়াগী এলেকসান্দ্রাবু ৪-১দা থোইখি। ৱেটলিফটিংদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী স্নেহা সোরেনদি নুপীগী কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা মঙাশুবা মফমদা লৈহৌরে। স্বিম্মিংগী মিটর ১০গী বেকষ্ট্রোক ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শ্রিহরি নতরাজ তরুকশুবা মফমদা লৈহৌখি।

## সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কিদা ইন্দিয়ানা জপানবু ১-০ দা থোইদুনা পুলগী মকোক ওইরি, বৃটেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে



*ইন্দিয়া অমসুং জপাননা শান্নখিবা জোহোর ওফ সুল্টান কপ হোক্কিগী মেটচ অমদা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

*জোহোর বারু, ওক্টোবর ০৯ঃ*
মালেসিয়াগী সিটি জোহোর বারুদা চত্থরিবা মালেমগী হোক্কি শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাক ৬ না শান্নরিবা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কিদা ইন্দিয়ানা জপানবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক ওইরি। অতোপ্পা মেটচ অমদা গ্রেট বৃটেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

ঙসি ইন্দিয়ানা জপানগা জোহোর বারুদা লৈবা টামাম দায়া হোক্কি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌরকপদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়া অমসুং জপানগী টিম মমাঙদা মেটচ ২ / ২ শান্নখিবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ / ৬ ফংনরগা অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসনদা লৈনখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম পুংখায় অমা ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা য়াম্না মরুওইপা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখি।

খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসিগী কেপ্টেন মনিদপ মোরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা জপানবু ১-০ দা হেন্দুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা জপানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নবা হৌরকখি। জপানগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিং অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অকনবা দিফেন্স পীদুনা পাঞ্জল হন্দোক্তনবা হোৎনদুনা লাকখি।

মেটচকী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা জপানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি ইন্দিয়ানসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা জপানবু ১-০ দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি মায় পাকখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী টিম মেটচ ৩ শান্নখিবদা মেটচ অহুম্মক মায় পাক্তুনা পুন্না পোইন্ট ৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গ্রেট বৃটেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা ব্লেক ৱোথরস্পুননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৪শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না ফংখিবা অতোপ্পা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই নাথান ইফ্রাউসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা গ্রেট বৃটেনবু ২-০ দা হেন্দুনা চৎখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা কেমেরোন গোল্ডননা পাঞ্জল অমা চনখি।

শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা গ্রেট বৃটেনগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কেমেরোন গোল্ডননা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-২ দা মান্নরবা মতুং মখা তানা শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## টিয়ানজিন ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা বেলারসকী অরিনা সবালেনকা অমসুং বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*বেলারসকী অরিনা সবালেনকা (ওই) অমদি বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স*

*টিয়ানজিন, ওক্টোবর ০৯ঃ*
চাইনাগী সিটি টিয়ানজিনদা চত্থরিবা টিয়ানজিন ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা বেলারসকী অরিনা সবালেনকা অমসুং বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টিয়ানজিন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী এস কেনিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৭-৬(৭-৪), ৪-৬, ৬-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী এম লিনেটকা শান্নরগনি।

পোলেন্দগী লিনেটনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী ই রোদিনাবু ২-৬, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সনা চাইনাগী এল ঝুবু ৭-৫, ৬-১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী জে সেপেলোভাগা শান্নরগনি।

স্লোভাকিয়াগী জে সেপেলোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোই ৱাই ৱাংবু ৭-৫, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়ানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনাগী শান্নরোই এফ জুনবু ৬-৪, ৬-১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী আইসি বেগুবু ৭-৫, ৬-৩ দা থোইরম্বী চাইনাগী ৱাই ঝাংগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই এস দব্লিয়ু সৈনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টোমলজানোভিসপু ৭-৬(৭-৫), ৭-৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী ভি কুদরমেটোভাগা শান্নরগনি।

রশিয়াগী ভি কুদরমেটোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী এ রিস্কেবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৫-৭, ৬-১, ৭-৫ দা থোইরম্বনি।

টিয়ানজিন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী অহানবা সিদেদ পেয়র রোমানিয়াগী আইসি বেগু অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বি ক্রেজসিকোভানা চাইনাগী ৱাই লিয়ু অমসুং এম ৱাংবু ৬-২, ৬-০ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসকী এস সান্টামারিয়া অমসুং রুশিয়াগী ৱাই সিজিকোভাবু ৬-২, ৬-১ দা থোইরম্বা চাইনাগী এক্স হান অমসুং ক্রোএসিয়াগী দি জুরাককা শান্নরগনি।

টিয়ানজিন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী মেলিসর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কে পেস্কেনা রুশিয়াগী রোনিনা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী টোমলজানোভিসপু ৬-৩, ৪-৬, ১০-৬ তা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## হোং কোংগী শান্নরোই ৩ মেটচ ফিক্সিংগী মরাল শীখ্রে

*দুবাই, ওক্টোবর ০৯ঃ*
ইন্টরনেস্নেল ক্রিকেট কাউন্সিল এন্টি-করপসন কোদগী মখাদা হোং কোংগী ক্রিকেট্টর হাসীব অমজাদ, নাদীম অহমদ অমসুং ইরফান অহমদ মেটচ ফিক্সিং তৌই হায়না ক্রিকেট কাউনসিল অসিনা মরাল শীখ্রে।

লেফ্ট-আর্ম স্পিন্নর নাদীম অহমদনা এসিয়া কপকি মনুং চন্না চহীসিগী সেপটেম্বর ১৮দা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা মেটচতা ৱিকেট অমত্তা লৌদনা ওভর ১০ লংদুনা রন ৩৯ পীখি। ইরফান অমসুং হাসীবনা মখোয়গী লৈবাক্কিদমক মথংশিংনা কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৬তা শান্নখি।

মশাগী চহী ২৮শুরবা ইরফানদা মেটচ ফিক্সিংদা চেন্নবগী মরালশীদুনা অখন্নবা চার্জ ৯ তৌরি। মহাক অসি আই সি সিনা কুমজা ২০১৬কি এপ্রিল থাদগী সস্পেন্দ তৌদুনা থমলি।

নদীম অমসুং হাসীবনা আই সি সি কোদকি সেকসন ৫কি মখাদা চার্জ তৌরি। আই সি সি কোদকি আর্টিকল ২.১.১গী মখা পোননা ইরফাননা স্কোটলেন্দগা কুমজা ২০১৪গী জনুৱারি ১৩দা শান্নখিবা মেটচ অমসুং কুমজা ২০১৭গী জনুৱারিদা কানাদাগা শান্নখিবা মেটচতা হোঙ কোঙগী গেম ফিক্স তৌনবা হোৎনখি হায়না ইন্টরনেস্নেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা মরাল শীরি।

## *এসিয়ান পেরা গেমস*

## একটা ভায়ননা নুপীগী ক্লব থ্রো ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রে



*জকার্টা, ওক্টোবর ০৯ঃ*
ইন্দোনিসিয়না য়ুম্বু ওইদুনা জকার্টাদা চত্থরিবা এসিয়ান পেরা গেমসতা একটা ভায়ননা ইন্দিয়াগী মরীশুবা গোর্ল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে। গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ক্লব থ্রো ইভেন্টতা মহাক্না গোল্ড মেদল অসি ফংখিবনি।

ভায়ননা মরিশুবা এটেম্পতা মহাক্কি খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইনা মিটর ১৬.০২ য়ৌনা শান্না লংবা ঙমখিবদগী এফ ৩২।৫১ ইভেন্টকি গোল্ড মেদল অদু লৌখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী য়ুনাইটেট আরব ইমিরেট (য়ু এ ই)গী শান্নরোই অলকাঅবি থেক্রানা মিটর ১৫.৭৫ শান্না লংবদগী সিলভর মেদল ফংখি।

নুপীগী ইভেন্ট অসিদা গোর্ল্ড মেদল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী ভায়ন মখুৎকি ওইবা অশোনবা লৈবা শান্নরোইনি। জাকার্টাদা চত্থরিবা পেরা গেমস অসিদা শরুক য়াদ্রিঙৈ চহীসিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওপন পেরা এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপতা গোর্ল্ড মেদল ফংখি।

জকার্টদা চত্থরিবা এসিয়ান পেরা গেমস অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল অহুমসু লৌবা ঙমখ্রে। ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদু জয়ন্টি বেহারা, অননদন গুনাসেকরন অমসুং মোনু ঘনগেসনা লৌখিবনি।

মোনু ঘনগেসনা নুপাগী সোর্ট পুট এফ১১ ইভেন্টতা অহুমশুবা মফম তাখিবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। গুনাসেকরননা নুপাগী মিটর ২০০গী টি ৪৪।৬২।৬৪ ক্লাসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। অদুগা জয়ন্টি বেহারানা নুপীগী মিটর ২০০গী টি ৪৫।৪৬।৪৭ ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

## রিয়েল মাদ্রিদকি কারিম বেনজেমা অশোকপনা মরম ওইদুনা চয়োল ২ শান্নবা য়াওরোইদবগী ফিভমদা লৈরে




*মাদ্রিদ, ওক্টোবর ০৯ঃ*
রিয়েল মাদ্রিদকি ফোরৱার্দ শান্নরোই কারিম বেনজেমা ফৈগনগী শিংলি নাউরিদা অশোকপনা মরম ওইদুনা চয়োল অনীদী শান্নবা য়াওরোইদবগী ফিভমদা লৈরে।

ফ্রাঞ্চকি মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোই কারিম বেনজেমা অসি দেপোটিভো এলাভেসকা শান্নখিবা মেটচ লোইরবা মতুংদা মেদিকেল টিমনা য়েংশিনবদা খঙলকপনি হায়রি।

পাউগী লীখুন অসিগী মতুংইন্না হায়রিবদি য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন রিয়েল মাদ্রিদকি মেদিকেল টিমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা ফোরৱার্দ শান্নরোই অসিগী য়েৎ থংবা ফৈগনগী শিংলী-নাউরিদা তশেংনা শোক্লে হায়বা খঙলকখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবদি কারিম বেনজেমা হৌখিবা থাংজা নুমিৎতা দেপোর্টিভোগা লা-লীগা লীগকি মনুং চন্না শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফকি হৌরকপা মিনিটতা শোকখি। মেটচ অদুদা বেনজেমানা রিয়েল মাদ্রিদকি টিম মেট ওইরিবা মারকেলো, ইস্কো অমসুং দানি কারভাজলগা লোয়নন্না সাইদদা নিংথিনা চেন্দুনা শান্নখি।

রিয়েল মাদ্রিদনা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ মরীদা পাঞ্জল অমা ফাওবা চনবা ঙমখিদ্রি। রিয়েল মাদ্রিদকি মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা কারিম বেনজেমা বাসেলোনাগা থা অসিগী ২৮দা শান্নগদৌরিবা অসিগী মমাঙদা শোইদনা ফগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন রিরেল মাদ্রিদকি টিমদা লৈরি। মশাগী চহী ৩০শুরবা শান্নরোই অসিনা সিজন অসিদা পাঞ্জল মঙা চনখি অদুবু মহাক্কি অকোনবা মেটচ ৭তদি পাঞ্জল চনবা ঙমদ্রি।

## বেলোন দি ওর ২০১৮ এৱার্দকি খনগৎপদা মেসি, নেমার অমসুং মবাপ্পেগী মমিংসু হাপচিনখ্রে

*পেরিস, ওক্টোবর ০৯ঃ*
ফুটবোল শান্নরোইশিংদা পীবা ফ্রাঞ্চকি মমিং লৈরবা এৱার্দ বেলোন-দি ওর ২০১৮গীদমক শান্নরোইশিংগী মমিং খনগৎপগী অরোইবা তাঙ্ককতা লিওনেল মেসসি, নেমার অমসুং মবাপ্পেগী মমিংসু হাপচিনখ্রে।

লেমজনিঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি চহীসিগী ওইনা কনাদাপীগদগে হায়বা লেপথোক্লবা শান্নরোই ৩০গী মিং খনগৎপদা মমিং লৈরবা শান্নরোই অহুমসিগী মমিং ইকোন কোনবা তাঙ্কতা হাপচিনবনি।

এৱার্দ অসিগীদমক খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা মবাপ্পেগী টিমমেট ফ্রাঞ্চকি হুগো এলোরিস, পোল পুগবা অমসুং রাফেল ভারানে লোইননা ক্রোএসিয়াগী ষ্টার প্লেয়র ওইরিবা ৱার্ল্ড কপ গোল্ডন বোল এৱার্দ ফংখিবা লুকা মোদ্রিক য়াওরি।

লুকা মোদ্রিককি ইন্টরনেস্নেল টিমমেট মারিও মান্দজুকিক অমসুং ইভান রাকিটিকসু খনগৎপাদা য়াওরে। লিভরপুলগী শান্নরোই মোহম্মদ সালাহ অমসুং সাদিও মানেসু হান্না এৱার্দ অসিগীদমক খনগৎপদা য়াওখ্রবনি।

মসিগী মথক্তগা রিয়েল মাদ্রিদকি মারকেলো অমসুং সরগিও রামোস, এটলেটিকো মাদ্রিদ গোলকিপ্পর জান ওবলক অমসুং বার্সেলোনাগী ফোরৱার্দ লুইস সুআরেজ য়াওরি।

পনবা য়াই, মবাপ্পেনা পাঞ্জল ২১ পেরিস সেন্ট-জরমেনগীদমক অরোইবা সিজনদা চনখি। রুসিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপতনা পাঞ্জল অহুম চনখি।

টিনেজর ওইরিবা শান্নরোই অসি ষ্টার প্লেয়র খৃষ্টিয়ানো রোনালদো অমসুং মেসিনা জজ ওইবা চহী ২১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোইশিংদা পীগদবা অনৌবা কোপা ট্রোফিগী শান্নরোই ১০ খনগৎপদসু য়াওরে।